# মেরি কোম মণিপুরগী অহানবা ওলেম্পিক মেডালিষ্ট ওইরগনি

*লণ্ডন, আগষ্ট ৬ঃ* নুপীগী বোক্সিং লিজেন্দ এম সি মেরি কোমনা ঙসি লণ্ডন ওলেম্পিক গেমসকী কেজি ৫১ গী নুপীগী বোক্সিংগী ক্বার্টর ফাইনেল বাউটতা মহাক্কী টুনিসিয়ান লম্বা মরৌআ রাহলিবু ১৫-৬ তা লায়না থোইদুনা সেমিফাইনেল চংখিবগা লোয়ননা মণিপুরগী অহানবা মেডল ফংবা ওলেম্পিয়ান ওইননবগী মফম কনখ্রে।

ৱার্ল্ড চেম্পিয়ন ৫রক ওইখ্রবা ইন্দিয়াগী ওলেম্পিক মেডলগী অশা তৌরকখিবা অদু নিংবা থুংহনখিবগা লোয়ননা মেরি কোমনা হেন্না ৱাংবা মেডল লৌবা পাম্লি হায়বা ৱাফম ফোংদোকখ্রে।

চখরিবা গেমস অসিদা এম সি মেরি কোমনা কেজি ৫১ গী কাংলুপকী ঙরাং শান্নখিবা প্রিক্বার্টর ফাইনেল রাউন্দদা পোলেন্দগী বোক্সর কেরোলিনা মিচলজুকপু মায়থিবা পীখ্রবা মতুংদা ঙসি ক্বার্টর ফাইনেল বাউট ওইনা টুনিসিয়াগী রাহলিগা থেংনখি। মহাক্না বাউট অদু হৌবগা ওপোনেন্ট অদুবু লাকশিন্নবা হোৎনখি। অহানবা মিনিট ২ গী রাউন্দ লোয়বদা ২-১ দা মাংজিল থাবা ঙমখি। অনিশুবা রাউন্দদা মহাক্কী শাফু কন্না থিনখিবা কিনশিংনা ৫-৩ দা মাংজিল থাখি। ৩শুবা রাউন্দ হৌরকপগা মেরি কোমনা হেন্না লাকশিন্দুনা রাহলিবু মায়থিবা পীননবগী ফিভম য়ৌহনখি। মহাক্না পোইন্ট ৭ রাউন্দ অদু লোয়বদা মাংজিল থারবা মতুং অরোইবা ৪শুবা রাউন্দদা মহাক্না মহাক্কী ওপোনেন্ট অদুবু ১৫-৬ তা মায়থিবা পীদুনা সেমিফাইনেল চংদুনা ওলেম্পিক মেডল অমা শোয়দনা ফংননবগী লম্বী য়ৌখি।

বাউট অদু মায় পাকখ্রবা মতুংদা মহাক্না মংলকখিবা ওলেম্পিক মেডলগী মঙ অদু মঙফাওনরে হায়না ফোংদোক্লদুনা মেরি কোমনা হায়, ওলেম্পিক মেডল ফংলগনি খনবদা পুক্নিংদা হায়নিংঙাই লৈতনা হরাওবা ফাওই। অদুবু হেন্না ৱাংবা মেডল লৌবা পাম্লি হায়খি।

লাক্লিবা তাং ৮ দা শান্নগদৌরিবা সেমিফাইনেল বাউটতা থেংনগদৌরিবা নিকোলা অদামগী মতাংদা হংখিবা ৱাহং অমদা মহাক্না হায়, মহাক অফবা বোক্সর অমনি। ৱার্ল্ড চেম্পিয়ন্সিপকী ক্বার্টর ফাইনেলদা মহাক পোইন্ট ২ দা মায়থিদুনা লৈহৌখি। বোক্সিং অসি য়াম্না লুবা মশান্না অমা ওই। মায়থিবা নত্রগা মায় পাকপা হায়বসি গেমগী শরুক অমনি। অদুবু মহাক্না কন্না হোৎনদুনা বৃটিশ বোক্সর অদুবু মায়থিবা পীবা ঙমগনি হায়খি।

মেরি কোমনা হায়, মহাক্কী পার্সোনেল কোচ চালর্স এটকিসন মহাক্কী ইমুং-মনুংগী ওইবা প্রোব্লেমশিংনা মরম ওইদুনা শরুক য়াবা ফংখিদবা অসিদা মহাক্না পুক্নিংদা নুংঙাইতবা অমা ফাওই হায়খি। সেমিফাইনেল বাউট ওইনা লাক্লিবা য়ুমশকৈশ নুমিৎতা শান্নগদৌরিবা অসিদা এটকিসনসু মহাক্কা লোয়নগনি হায়বা অশা তৌই। অদুবু এটকিসননা রিংদা চংননবগী দরকার ওইরিবা লাইসেন্স পায়দ্রি হায়খি।

মহাক্না মখা তানা হায়, কেজি ৫১ গী কাংলুপ্তা ওলেম্পিক গেমস য়াওননবা হোৎনবদা অরুবা ফিভমশিং মায়োক্নখি। মহাক্না ৱেট কাংলুপ অনি হায়গৎতুনা শান্ননবা হোৎনবদা হৌখিবা চহি ২ গী মতমদা অরুবা খোঙচৎ অমা হায়বদু ওইখি। কেজি ৪৬ কী কাংলুপ্তা শান্নরম্বদগী কেজি ৪৮ দা অমদি ৫১ গী কেটাগোরিদা হায়গৎতুনা শান্নরি। হৌখিবা চহি ২দগী কেজি ৫১ গী কাংলুপ্তা শরুক য়ারক্লি। মসি অরুবা অমদি ওই। ৱেট হেনগৎপা অমদি হন্থবনা হেন্না লায় হায়খি।

চখরিবা লণ্ডন গেমস অসিদা মণিপুরগী ওইনা ইন্দিয়াগী বোক্সিং টিমদা মেরি কোম মথন্তনা নুপীগী ওইনা শরুক য়ারি। নুপা শান্নরোই ৭ কী মনুংদা মণিপুরগী দেবেন্দ্রোসু ক্বার্টর ফাইনেল চংদুনা ওলেম্পিক মেডলগী অশা ৱাংনা তৌরি।